# মেলরিয়া, দেঙ্গি, ইন্সেফেলাইটিসনা চহী অসিদা মীওই ১৫০ শীনহখ্রে



মেলরিয়া, ইন্সেফেলাইটিসনা নারবশিং লায়কন্নবা (ফাইল ফোটো)

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ঃ*

মেলরিয়া, দেঙ্গি অমসুং জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা চহী অসিদা মীওই ১৫০ রোম শীহনখ্রে হায়না লোক সভাদা ঙসি লৈঙাক্লা ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৪ ফাওবদা দেঙ্গিনা মীওই ২১, জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা মীওই ৭০ শীহনখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদানা ঙসি লোক সভাদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী জুন থা ফাওবদা মেলরিয়ানা মীওই ৫৭ শীহনখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা লৈঙাক্লা কাং অমসুং হয়িংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা টেক্নিকেল অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিংগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

ইং ২০১৫দা মেলরিয়া দেঙ্গি অমসুং জপানিস ইন্সেফেলাইটিসনা লৈবাক অসিদা মীওই ৭৯৮ শীহনখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা নেসনেল প্রোগ্রাম কয়া পাব্লিক প্রাইভেট পার্টনর্সিপ মোদেলদা কাং অমসুং হয়িংনা শান্দোকপা লায়নশিং ঙাথোক্লবদা নেসনেল প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি।

অদুম ওইনমক পাব্লিক প্রাইভেট পার্টনর্সিপ (পি পি পি) গী প্রোজেক্ট মখাদা ইন্দিয়ানা কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স অমসুং ষণ ফারমাগা খূৎশম্নদুনা অপুনবা মেলরিয়া মুত্থৎনবগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি।

মদুগী মনুংদা মদ্যপ্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াসু য়াওরি। প্রোগ্রাম অদু মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনবদা লৈরিবা অহাংবশিং মেনশিননবা থৌশিল কয়াসু পায়খৎলি।

কাং অমসুং হয়িংনা শান্দাকপা লায়নশিং ঙাকথোক্লবা সেন্টরনা আরবান লোকেল বোদিশিংদা হকথেংননা ফন্দ থাবদগী থবক্তী তৌদ্রি। অদুম ওইনমক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লৈঙাকশিংগী খুত্থাংদা ফন্দশিং ফং হল্লি হায়খি।

# নেপালদা লেন্দ স্লাইদ, ঈচাওনা মীওই ৮০ হাৎখ্রে



নেপালগী মুজাফরবাদতা লেন্দ স্লাইদনা অমাং অতা থোকহনখিবা

*কাথমন্দু, জুলাই ২৯ঃ*

অকনবা কুমগী নোংনা নেপালগী মফম অয়াম্বদা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদ থোকহন্দুনা মীওই ৮০ শীহনখ্রে। লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিং অদুদি প্যুথান, গুলনে, বাগ্লুং, পালপা, রোলপা, মাকাৱানপুর, অরঘাখাসি, জাপা অমসুং রুপেন্দেহিনি হায়রি।

কুমগী নোং অদুনা মফম কয়াদা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদ থোকহন্দুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদা নেপালগী ময়াই থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা মীওই ৮০ রোম শীহনখ্রে।

প্যুথান দিষ্ট্রিক্টনা হন্দক্কী ঈচাও অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শোকপা মফম ওইরে। লমদম অদুদা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদনা মীওই ৩৬ শীহনখি। গুলনেদা মীওই ৭, বাগ্লুংদা ৬, পালপা অমসুং রোলপাদা ৪-৪, মকাৱানপুরদা ৩, অরঘাখাসি, জাপা অমসুং রুরেপন্দেহিদা মীওই ৩-৩ শীহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কাথমন্দু, দোলাখা, সরলাহি, পরবট, উদয়পুর, দাং, কপিলবস্তু, বারা অমসুং সপ্তরিদা মীওই অমমম শীহনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪৩ থিবা খঙদ্রি হায়রি। অদুগা মীওই ৬না অশোক অপন নংখ্রে।

প্যুথান দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৪ থিবা খঙদনা লৈরি। অদুগা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরবা দিষ্ট্রিক্ট ৬তা মীওই অমমম থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি। নেপালদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী অকনবা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদ থোকহন্দুনা মীওই লিশিং কয়াগী পুন্সিদা চাওনা শীংনবা থোকহল্লি।

লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বী অমসুং থোং কয়া ঈশিংনা চেঙ্খ্রে। মদুনা মরম ওইরগা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং ফাওনবা ঙমদ্রে। ঈচাওনা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪দা লান্মী শীজিন্নদুনা মী কনবগী থবক পায়খৎলি। লান্মী অমসুং ভোল্যুনটিয়রশিংনা রব্বর বোট শীজিন্দুনা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক চত্থরি। অদুগা হেলিকোপ্টরনা অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা চিঙ্গাক পীরি হায়রি।

# চহী ১৫গী মনুংদা অচৌবা অহোংবা পুরক্লবা থৌশিল শেম শানবা নিতি অয়োগতা প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙহনখ্রে



নিতি আয়োগকী মীফমদা শরুক য়ারিবা প্রাইম মিনিষ্টর

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ঃ*

লৈবাক অসিদা লাক্লদৌরিবা চহী ১৫গী মনুংদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্লবগীদমক শেম শান্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিতি অয়োগতা খঙহনখ্রে।

মতম অসিগী মনুংদা অহোংবা অমা পুরক্লবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা খঙহনখিবগা লোয়নননা ২১শুবা চহী চা অসিদা লৈবাক অসিনা খ্বাইদগী শাফবা অমা ওইহন্নবা লম্বী শেম শাবগী যত্রা হুনগদবনি হায়খি।

নিতি অয়োগকী মেম্বরশিংগা ৱারী শান্নবদা লুচিংবা অদুনা হায়, হৌজিক্কী মতম অসিদা দরকার ওইরিবদি অহোংবা অমা পুরকপা অদুনি। হৌখিবা চহী কয়াদা টেক্নোলোজিগী লমদা অহোংবা পুরকপা ঙমখ্রে। মখা তানা খ্বাইদগী ফবা মওংদা অহোংবা পুরকপা তঙাইফদে।

মীয়ামগী পুন্সিদা হেন্না ফবা মওংদা অহোংবা পুরক্লবগীদমক থৌনা অমসুং তৌবা ঙম্বশিং উত্থোক্কদবনি। পোলিসি শেম্লিবশিংনসু অঙম্বা থৌনা শীজিন্নদুনা হ্যুমেন রিছোর্স ফগৎহনবগা লোয়নননা থম্মোয়দা অহোংবা পুরকপা তাঙাইফদে।

মিনরেলগী লন থুম পাক চাওনা লৈরিবা সোল্লর ইন্নর্জিগী মচাকশিং অমদি অফবা মায়কৈদা চংশিনহনবা অদুনা খুদম অমা ওইগদবনি। এগ্রিকলচরগী লমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহনবতা নত্তুনা খুঙ্গংগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা মীৎয়েংসু থমগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ফুদ প্রোসেসিং সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়নননা ৱায়র হাউস অমসুং টেক্নোলোজি সেক্টরশিং চাওখৎহনবা তঙাইফদে। অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবগীদমক কেপাসিটি বিল্ডিং শাগৎকদবনি। লম অসিদা থেংনবা কয়া লৈরে। লোয়নননা থাজবা কয়া থল্লি। নিতি অয়োগকী ভাইস চিয়ারমেন আরবিন পনাগারিয়ানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা হিরম অসিগী মতাংদা হকথেংননা খঙহল্লকখিবা কয়াসু লৈরে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাখলল্লোন্দা লৈবাক অসিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপা পামদে। মহাক্লা রাজনিতিগী লানফম মায় পাক্লুনা টেক্নোলোজিগী লমদা মালেমগী থাক্তা অহোংবা পুরকপা পাম্মী হায়খি।

# পি ও কেদা মমাঙগী মীখল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা খোঙজং চংশিনখ্রে, পাকিস্তানগী ফিরাল মৈ থাখ্রে



পি ও কেদা মীয়াম্না খোঙজং চংশিল্লকখিবা

*নিলম, জুলাই ২৯ঃ*

পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাস্মিরগী মনুং চন্না লৈবা নিলম তম্পাক্তা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী মুস্লিম লিগ নৱাজ (পি এম এল-এন) পার্টিনা লৌনম তৌদুনা জুলাই ২১গী মীখল মায় পাকখিবনি হায়বগা লোয়নননা য়নিংদবা খোঙজং চংশিল্লকখ্রে।

পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাস্মির (পি ও কে) লমদমগী সিট ৪১গী মনুংদা পি এম এল-এননা সিট ৩১ ফংদুনা চাওনা মায় পাকখি। অদুগা মুস্লিম কনফরেন্স অমসুং পাকিস্তান পিপলস পার্টিনা সিট ৩-৩ খক্তমক ফংবা ঙমখিবনি।

জুলাই ২১গী মীখল অদুবু য়ানিংদবা খোঙজং চংশিনখিবা মীয়াম্না পাকিস্তানগী ফিরাল মৈ থাবগা লোয়নননা পাকিস্তান লৈঙাক্কী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোল্লাউ কয়া লাউখি। খোঙজং চংশিনখিবশিংদা পুলিসনা চত্থরকখিবা মীওৎ মীনৈ কয়া খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা মায়োক্লখি।

পাকিস্তাননা খুদুম চনবা সহরশিং মরু ওইনা মুজাফরবাদ, কোটলি, চিনারি অমসুং মিরপুরদা চাওনা খোঙজং চংশিল্লকখি। মুস্লিম কনফরেন্স (এম সি) শৌগৎপশিংনা পি এম এল-এনগী মেম্বর অমা মুজাফরবাদতা হাৎখিবা মতুং ৱাথোক অদু চাওথোরক্লুনা হেন্না কনবা খোঙজং চংশিল্লকপদা নত্তনা সিক্যুরিটি ফোর্সনা খোঙজং চংশিল্লিবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলকখি। লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা পাকিস্তাননা খুদুম চনবা কাস্মিরদা পাঙথোক্লিবা মীখল অদু পাকিস্তানগী রুলিং পার্টিনা মতম পুম্নমক্তা খূৎ থিংজিন্দুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা মীচম ২৪ হাৎখ্রে

*বৈরুট, জুলাই ২৯ঃ*

সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদা ইস্লামিক ষ্টেট টেরোরিষ্টশিংনা মীচম ২৪ হাৎখ্রে। সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরকখিবদা আই এসনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীচম ২৪ হাৎখ্রে। মদু সিরিয়ান দিমোক্রেটিক ফোর্সতগী বুয়ির লৌশিল্লবা মতুং চত্থখিবনি হায়রি।

খুঙ্গং অদু মানবিজগী অৱাং নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবনি। মফম অদু টর্কিগা তাইনবা মিলিটেন্টশিংগী মরু ওইবা লম্বীগী মনুং চনবনি হায়রি।

আই এসনা অৱাং নোংচুপ থংবা মনবিজগী মনুং চনবা খুঙ্গং কয়া খুদুম চন্দুনা লৈরি। মফম অদুদা আই এসনা শাত্থিবা অমদি কিনিংঙাই ওইবা থবক কয়া চত্থরি হায়রি।

সিরিয়ান দিফেন্স ফোর্স য়ু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা শৌগৎতুনা মনবিজ আই এসকী মখুৎতগী হন্দোক্লবা অকনবা থবক পায়খৎলি। চুংশিন্নবা কাংবুনা সহর অদুদা চংশিন্নবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা খূৎ থোক্লরি। টেরোরিষ্টশিংগী মায়কৈদগী হন্দুনা সুসাইদ কার বোম কয়া পোকখায়হল্লক্লি হায়রি।

*সনা-সুদোকু- ৬৫৪ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |

# নোংমগী ওইবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইকনা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ঃ*

বেঙ্ক ইমপ্লোইয়ি লাক্ষ ১০ রোমনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবনা মরম ওইরগা চেক ক্লিয়ারেন্স, শেল থমজিনবা অমসুং লৌথোকপগী থবক্তা চাওনা অকায়বা পীখ্রে।

লৈবাক অসিদা লৈবা প্রাইভেট অমসুং ষ্টেটনা চল্লাইবা বেঙ্ক ৪০গী থৌমী লাক্ষ ১০ রোমনা নোংমগী ওইবা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবনা মরম ওইরগা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহনখ্রে।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মখোয়গী কষ্টমরশিংদা ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা থবক লেপ্পনি হায়না খঙহনখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক আই সি আই সি আইনচিংবা প্রাইভেট সেক্টর বেঙ্ক খরদি মহৌশাগুম থবক তৌখি।

বেঙ্ককী নোংমগী ওইবা ষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তা চেক ক্লিয়ারেন্স অমসুং শেল লৌথোক-লৌশিনগী লমদা চাওনা অকায়বা থোকহনখি। ঙসিগী ষ্ট্রাইক অদুনা লুপা ক্রোর লিশিং ১২দগী লিশিং ১৫ ফাওবগী চাংদা ত্রানস্কেসন তৌগদবা অদু লেপহনখি।

অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈবা ওটোমেটিক টেল্লর মেছিন (এ টি এম) বুট লাক্ষ ২ রোমদদি থোইদোক্লা অকায়বা থোকখিদে হায়রি।

লৈঙাক্কী ওইনা লুপা ক্রোর ১৫ রোমগী মরু ওইবা ত্রেজরি ওপরেসন চত্থবদা অকায়বা থোকহনখি। য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন অমসুং মদুগী মখাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক ইমপ্লোইয়ি অমসুং ওফিসারশিংগী য়ুনিয়ন কয়াগী মনুং চন্না থবক তৌবা থৌমী লাক্ষ ১০ রোমনা ঙসিগী ষ্ট্রাইক অদু চংশিনখিবনি।

ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোইয়ি এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রটরী সি ঐচ বেঙ্কতাচলমনা ফোঙদোকখিবদা ষ্ট্রাইক চংশিল্লি। লৈবাক অসিদা লৈবা বেঙ্কশিংগী তোঙান-তোঙানবা ৱাঞ্চ লিশিং ৮০দা থবক তৌবা থৌমী কয়াসু খোঙজং অসিদা য়াওরি।

খোঙজং অদু লৈঙাক্লা আই দি বি আই বেঙ্ক প্রাইবেটাইজ তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা চত্থখিবনি। ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী এসোসিয়েট বেঙ্ক ৫না অদুগুম্বা লৈঙাক্কী ৱারেপ অদুদা য়াওশিনখিবদা নুংঙাইতবসু ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্কী ৱারেপ্তা য়াওশিনখি হায়বা বেঙ্কশিং অদুদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ বিকনর, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ জয়পুর, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ত্রাভানকোর, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ক্বালিয়ালা, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ মৈসুর অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ হায়দ্রবাদনি হায়রি।

বেঙ্ক য়ুনিয়নগী মতুং ইন্না লৈঙাক্লা কন্সোলিদেটেদ পব্লিক সেক্টর বেঙ্ক মরু ওইনা লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা বেঙ্কশিংদা কোর্পোরেট হাউস অমা ওইনা বেঙ্কী থবক থৌরম চত্থনবগী লাইসেন্স পীরি হায়রি।

# অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ২২গী খুঙ্গং চা কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, মীওই ১৩ শীখ্রে



অসামদা ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম

*গুৱাহাটি, জুলাই ২৯ঃ*

অসামদা শাত্থিবা ঈচাওগী ফিভম অমা মায়োক্লরে। ঙসি ফাওবদা মীওই ১৩ শীখ্রে। অদুগা মীওই লাক্ষ ১৮ হেনবনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

অসাম ফাওনা চেনবা তুরেল ৯গী ঈশিংগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্কী মথক্তা চেনবগা লোয়নননা ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ২২গী মনুং চনবা খুঙ্গং চা কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হাংবা রিলিফ কেম্প ৫০০দা মীওই লাক্ষ ২ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরি।

হৌখিবা নুমিৎ ১০নিগী মমাঙদগী অসামদা ঈচাওগী ফিভম মায়োক্লন্দুনা লাকখিবগা লোয়নননা সেন্টরদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবিরক্লবা হায়জখ্রে। অসামগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলম য়ৌহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

ব্রহ্মপুত্রা তুরেলগী পাথোরকপা ঈশিং খক্তনা খুঙ্গং ২৭৭ থুমজিনখ্রে। য়ুম খরদি ঈশিং মখাদা লৈখ্রে। লম্বী চৎনবগী খুদোংচাবা লৈতবনা মফম খরদা হি অমসুং হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা মীওই কয়া কন্নবা হোৎনরি।

অৱাংবা থোঙ মথক অমসুং অতোংবা লম্বী কয়াদা মীওই কয়া য়ারেক্লুনা লৈনরি। অসামগী ৱেষ্ট মায়োংগী মনুং চনবা খিপুজিজান লমদমদা তেংবাংগী পোৎলম লৌননবা মীওই কয়া থোমজিন্নরক্লি। মীওই ৭ লৈবা ইমুং অমগী নুপী অমনা এন দি টি ভিদা ফোঙদোকখিবদা মখোয় ঙসি ফাওবা হি মক্তা চাক থোংদুনা চারি। শাত্থিবা ঈচাও অসিনা মখোয় মফম অমত্তদা চৎপা ঙমদ্রে।

গগালমারি খুঙ্গংদা লৈবা মীওই অমনা হায়, ইং ২০০৪দা থোকখিবা ঈচাও অদুদগী হন্দক্কী অসিনা শাত্থিবা হেল্লি। মহাক্লা পোক্লকপদগী অসিগুম্বা ঈচাও অসি অমুক্তা থেংনখিদ্রি। চহী খুদিংগী অসামদা ঈচাও থোকপগী ফিভম অসি ফগৎহন্নবা য়েংশিল্লক্লি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খি।

# রাজনাথকী পাক খোঙচৎতা পাকিস্তানগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈতে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ঃ*

অগাষ্ট ৪দা পাঙথোক্কদবা সাউথ এসিয়ান এসোসিয়েসন ফোর রিজনেল কোর্পোরেসন (সার্ক) মীফম য়াওননবা পাকিস্তানদা চৎকদৌরিবা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা পাকিস্তানগী লুচিংবশিংগা তোঙান্না উন্নবগী ৱাফম লৈতে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই বিকাস স্বারুপনা মখা তানা হায়, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ সার্ক মীফম য়াওবা চৎকদবনি। পাকিস্তানগা লৈবাক অনীগী ওইবা মীফম পাঙথোকপগী ৱাফম লৈতে।

মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগী মতায়দা মমিং হায়দোক্লিংদবা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা পাকিস্তানগী মহাক্কী ফম মান্নবা চৌধারি মিসর অলিখান অমসুং পাকিস্তান প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ উন্নবা য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাফম অদুগদি তাইওন্নবা কয়া লৈরি হায়রি। বিকাস স্বরুপনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদদি হোম মিনিষ্টর সার্ককী মফম য়াওননবা চৎপনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নগদবা লৈতে হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিবা লৈখি।

পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না রাজনাথ সিংহনা পাকিস্তানগী মরু ওইবা লুচিংবশিংগা ইনিদয়াদা মখোয়না স্পোন্সর তৌদুনা টেরোরিজমগী থবক কয়া চত্থরক্লিবা অদু লেপ্পনবা ৱাফম ফোঙদোক্লবা য়াই হায়রি।

মদুতা নত্তনা পথানকোট এয়ারবেজ টেরর এটেককী মতাংদা থিজিনবা ঙসি ফাওবা তপথনবা লৈবগী মতাংদা পুখৎলবা য়াই হায়রি।

পাকিস্তানদা বেজ তৌবা জয়স-ই-মুহম্মদনা মুম্বাই টেরর এটেক চত্থখিবগী ত্রাইয়েল চত্থদুনা লৈরিবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া পুখৎলবা য়াই হায়রি। পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা বুরহান ৱানি জুনলাই ৮দা হাৎখিবা মতুং কাস্মিরগী মতাংদা ৱাথোক ওইবা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরীদা নুংনাংনিংঙাই ওইবা কয়া লাকখ্রবা মতুং রাজনাথনা লৈবাক অদুদা সার্ক মীফম য়াওননবা চৎকদৌরিবনি হায়রি।

# মিজোরামদা লেন্দ স্লাইদনা মীওই অনী শীহনখ্রে

*আইজোল, জুলাই ২৯ঃ*

মিজোরাম-ম্যান্মার ঙমখৈ নক্লা লৈবা ঙুর খুঙ্গংদা চাওনা লেন্দ স্লাইদ থোকপনা মরম ওইরগা মীওই অনী শীহনখ্রে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা লেন্দ স্লাইদ অদুনা শীহনখ্রবা দাউন্দ সিয়ানমুআঙ্গি (৪২) অমসুং মহাক্কী চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী মীয়াম্না লৈখোম মরক্তগী লৌথোকপা ঙমখ্রে।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী থা ৩ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপী অমদি অশোয় অঙাম নংহৌদ্রে হায়না মিজোরাম পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। শোক্লবা মীওই ৬কী মনুংদা লালতালান থাঙা স্পাইনেল ইঞ্জুরি তৌবনা মরম ওইরগা আইজোল সিভিল হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

মহাক ভোলুন্টরি রেস্ক্যু ৱাকর অমসু ওইরিবনি হায়রি। ঙুর লমদমদা লেপ্পা লৈতনা নুমিৎ নিনি রোম নোং চুরকখিবনা মরম ওইরগা লেন্দ স্লাইদ থোকপদগী ইমুং ৯গী য়ুম কৈ অমাং অতা থোকহনখি।

থৌদোক অদুদা অঙাং অমা য়াওনা মীওই অনী লৈখিদ্রে। অদুগা মীওই ৬না অশোক অপন নংখি। লমদম অদুদা লৈবা মীয়াম্না থৌদোক থোকফমদা চংশিন্দুনা অৱাবা নংলবশিং কন্ননবা হোৎনখি। চীংগী মনুং হুঞ্জিনবা মফম অদুদা মী কনবগী থবক চত্থবদা চাওনা খুদোংচাদবা থোক্লি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-655**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 6 | | 4 | | 5 | 7 | 3 | | |
| | | | | | 6 | | 8 | 7 |
| | | 6 | | | 2 | 5 | | |
| | | 9 | | | | 8 | | |
| | | | 1 | 6 | 8 | | | 2 |
| | 3 | 1 | | 4 | | 2 | | |
| 4 | | 2 | 3 | | | 7 | | |
| 7 | 8 | | | 2 | | | | 4 |

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr) Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
9856167106 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016